# সেনিয়র ৱিমেন’স নেসনল হোকিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর হোকি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ :

চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দগী ২২ ফাওবা হরিয়ানাগী রোটক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা তরেৎশুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র ৱিমেন’স নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুর হোকিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর সেনিয়র ৱিমেন’স টিম ঙসি অয়ূক হরিয়ানাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুর হোকিগী সেনিয়র ৱিমেন’স হোকি টিম ঙসি অয়ূক খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদগী মণিপুর হোকিগী প্রসিদেন্ট ওলেম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা লমথাখি। মণিপুর হোকিগী সেনিয়র ৱিমেন’স টিম অসিনা ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা মণিপুর হোকিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ থোইবনা শান্নরোয়শিংদা মমল য়াল্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শান্নরোয়শিংনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা অমদি দিসিপ্লিন লৈনা শান্নদুনা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা শান্নদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা টিম কেপ্তেনগী মথৌসু য়াম্না চাউই হায়খি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুর হোকিগী সেনিয়র ৱিমেন’স টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরদা ফামদগী এল অনুপামা, আইদিএল ক্লবতগী পি ঐচ অঞ্জনা, ফামদগী টি ঐচ রোমিতা, এস ইবেনি অমসুং আইদিএল ক্লবতগী দব্লিয়ু মেরিনি।

হাফ লাইন্দা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি ফামদগী কে অরুনা, মৈরাদগী এন অমুবী, আইদিএল ক্লবতগী এন জি হোমেশ্বরি, মৈরাদগী টি ঐচ রাইনা, সিয়োদগী টি ঐচ সুসিত্রা অমসুং ফামদগী টি প্রিয়াবতিনি।

ফোরৱার্দ লাইন্দা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি ফামদগী দব্লিয়ু মন্দাকিনি, সিয়োদগী কে এস ঐচ জোতিবাসু, আইদিএল ক্লবতগী এম পুস্পা, সিয়োদগী কে এস ঐচ সোনিয়া, ফামদগী ও ঙাংবীতোন, টি ঐচ বিদ্যারানি অমসুং মৈরাদগী এন কিরনবালানি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা অপূনবা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি পুল এদা হোকি রাজস্থান, টেলঙ্গনা হোকি অমসুং দেল্লি হোকিনি। পুল বিদা ষ্টিল প্লান্ট স্পোর্টস বোর্দ, হোকি পুদুচেরি অমসুং হোকি চান্দিগরনি। পুল সীদা হোকি হিমাচল, হোকি জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং বিদরভা হোকি এসোসিএশননি। পুল দিদা হোকি মধ্য ভারত, গোৱা হোকি অমসুং ত্রিপুরা হোকিনা শরুক য়ারি। পুল ঈদা মণিপুর হোকি, হোকি বিহার অমসুং হোকি অন্ধ্র প্রদেশকা পূন্না তামিন্নরি। পুল এফতা হোকি ক্রুগ, হোকি কেরলা অমসুং হোকি মিজোরামনি। পুল জিদা হোকি গুজরাট, হোকি উত্তরখণ্ড অমসুং হোকি হিমনি। পুল ঐচতা বেঙ্গল হোকি এসোসিএশন, হোকি বেঙ্গলুরু অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গুজরাট হোকি একাদেমিনি।

মণিপুরনা অহানবা মেচ হোকি বিহারগা থা অসিগী ১৫ গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ হোকি অন্ধ্র প্রদেশকা থা অসিগী ১৬ কী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি।

# পুপু কপ নাইন এ সাইদ ফুটবোলদা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি অমদি পি জে এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ :

পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম অমদি পি জে এ পুংদোংবম মায় পাকখ্রে।

টিম ২১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম্না ৱাই দি সী এল পুংদোংবম গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নরা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথনরকখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমগী কে ঐচ লকিসন্না মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোত্থরিবা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

টিমদুগী হোৎনজমনগী মহয়না মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী কিরন্না গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং টিমগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকখি। মেচ অদুগী ২১ শুবা মিনিটতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী কিরন্না মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম্না গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোত্থরিবা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না গোল হন্দোকপা ঙমদনা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী মখূৎতা গোল অমা শোত্থনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৪১ শুবা মিনিটতা এল ফোরেন্না টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা টিম অনীমক গোল ২-২ চন্নদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী মতম লোইরমদাই ৫৩ শুবা মিনিটতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী বিদ্যাসাগরনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী শান্নরোয় লমজিংবা মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা অদুগা ইমর্সন মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। লোয়ননা ৱাই দি সী এল পুংদোংবমগী মনিস্নাদসু রেফ্রিনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা পি জে এ পুংদোংবম্না এস আর বি নোংদম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা পি জে এ পুংদোংবমগী অহানবা গোল দব্লিয়ু অথোইবনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল দব্লিয়ু রাহুলনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এস বি আর নোংদমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ অনোসনা মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# সঙাই ত্রোফিগী ফিক্সচর দ্রো পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ :

আর কে ফোর্চুন দিভলপরস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌবা অহানবা আর কে এফ দি এস সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ চৎলিবা থা অসিগী ২৩ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ভেটরান ফুটবোল টিমশিংনা এন্ত্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। এন্ত্রি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১৫ ফাওবনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সচর দ্রো থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিন্নর ওইরবা টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশী ৭০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপ তারবা টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ৪০ গী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা ইন্দিভিজুএল প্লেয়রশিংদা ত্রোফি অমদি শেলগী মনাসু পীদুনা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎকনি হায়রি।

# ৱাই রঞ্জন ইন্টরনেসনল জজ পাস তৌরে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ :

ফেদরেসন ইন্টরনসনল দ জিম্নাষ্টিক্সকী মিৎয়েং মখাদা জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা চহী অসিগী মার্চ ৪ দগী ৯ ফাওবা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা সাইকল এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স জজ কোর্সতা মণিপুরদগী য়ূম্নাম রঞ্জন কেটাগোরি মরি মায় পাকখ্রে।

য়ূম্নাম রঞ্জন অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা এরোবিক জিম্নাষ্টকী অহানবা ইন্টরনসনল জজ কোর্সতা মায় পাকপা ওইরে। য়ূম্নাম রঞ্জন ইন্টরনেসনল জজ কোর্স মায় পাকপদা নত্তনা জিম্নাষ্টিক একাদেমি লেভেল থ্রিসু মায় পাকখ্রে। ৱাই রঞ্জন অহানবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্কী জজ কোর্স মায় পাক্লকপদা মণিপুর জিম্নাষ্ট পেরেন্ট এসোসিএশন্নসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/3662/28,30,1,3,5




# ইন্দিয়াদা হোকি চাওখৎহন্নবগীদমক দোমেষ্টিক হোকি কোচশিং শেমগৎপা মথৌ তাই ঃ বোবিলান্দর



রাঞ্চি, এপ্রিল ১০ : ইন্দিয়াদা হোকি মশান্না চাওখৎহন্নবগীদমক দোমেষ্টিক হোকি কোচশিং শেমগৎপগী য়াম্নমক মথৌ তাই হায়না হান্নগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর ফ্লোরিস জান বোবিলান্দরনা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্লোরিস জান বোবিলান্দরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমগী কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্না ইন্দিয়াগী কোচ অমগী মথৌ চপ চানা তৌদুনা ইন্দিয়াবু অৱাংবা থাক্তা তপ্না তপ্না পুখৎলক্লি হায়না রোলেন্ট ওল্টমানবু থাগৎখি।


রাঞ্চিদা সী আই এন এল টাটা ট্রষ্ট গ্রাসরুট হোকি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অমদা ৱাফমশিং অসি শক্লাইরবা হোকি শান্নরোয় ওইরম্বা ফ্লোরিস জান বোবিলান্দরনা রোলেন্ট ওল্টমানদা ফোঙদোক্লমখিবনি।

ফ্লোরিস জান বোবিলান্দরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হরিন্দর সিংহনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোকি টিমবু য়াম্না নীংথিনা শেন্নদুনা লাকপনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌখিবা মরম্না ইন্দিয়ানা মথংগী ওলেম্পিক অমদি ৱর্ল্ড কপ্তা মেদল লৌনবা অচেৎপা পান্দম অমগী মখাদা চঙশিনগদবনি হায়খি।

হরিন্দর সিংহনা জুনিয়র হোকি ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌহনখিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি হৌজিক্কী মোর্দন হোকিদা মহাক্না ইন্দিয়াবু য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইহনবা ঙমগনি । ফোরেন কোচ অমনা ইন্দিয়াবু চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙম্লিবা অসিগুম্না ইন্দিয়াগী কোচ অমনা চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙম্লগদি হেন্না অফবা অমা ওইগনি।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ্তুদি ইন্দিয়ানা সেমী ফাইনেল ফাওবা শুংশোয় শোয়দনা য়ৌবা ঙমগনি। ইন্দিয়া হৌজিক হোকিদা মেদল লৌনবগী লম্বী য়াম্না নক্লা লৈরবনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অমদি চেম্পিয়ন ত্রোফিদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা মরম্না ৱর্ল্ড কপ অমদি ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌবা থোইদোক্লা কিনিংঙাই ওইদে হায়খি।

HL-B/3779/23/32-24/4





Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com